# ইন্দিয়ন তরুক য়ুএস অমসুং কানাদাদা দোল্লর মিলিয়ন কয়াগী টেক্স স্কামদা চেন্নবগী মরাল শীখ্রে

ন্যু য়োর্ক, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন নুপা মঙা অমসুং নুপী অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কানাদাদা অহল কয়া য়াওনা ভিক্তিম ২০,০০০ হেন্না টার্গেট তৌখিবা ক্রোস-বোর্দর টেক সপোর্ট স্কামদা চেন্নবগী মরাল শীখ্রে।

য়ুএসকী এর্টোনি ফিলিপ আর্রর সিলিঞ্জরনা ফোঙদোরকখিবদা ন্যু দিল্লিদগী গগন লম্বা (৪১), হর্সদ মাদন (৩৪), ওন্টারিও, কানাদাগী জায়ন ভাতিয়া (৩৪) অমসুং ফারিদবাদকী বিকাস গুপ্ত (৩৪) অসি ৱেয়র ফ্রোউদ, কম্প্যুটর ফ্রোউদ চথনবা লৌতুনরম্বা অমদি ৱায়র অমসুং কম্প্যুটর ফ্রোউদ ভাইওলেসন কয়া চথরম্বগী মরাল শীখি।

লম্বা, মাদন, ভাতিয়া অমসুং মঙাশুবা দিফেন্দেট রেস্পোন্দ হিল, ন্যু য়োর্ককী কুৱিন্দর সিংহ (৩৪) অসি মনি লোন্দরিং পাঙথোক্লবা লৌতুনবা, মনি লোন্দরিং চথরম্বা অমসুং লোনা য়াদবা থবক খরদগী ফঙখিবা প্রোপর্টিগা মরী লৈননা চথখিবা মনিটরি ট্রাঞ্জেক্সনশিংদা চেন্নবগী মরালসু শীখি।

ভাতিয়াবু হাই-টেক ফ্রোউদ স্কিম অমদা শরুক য়াখিবগা মরী লৈননা ক্রাইম কয়াগী মরাল শীখি। তরুকশুবা দিফেন্দেন্ট ওইরিবা এদিসন, ন্যু জর্সিগী মেক্লা কুমার (৫০) কৌবী নুপী অসিদি মহাক স্কিম অদুদা মহাক্লা লৌরিবা থৌদাংদা য়ুম্ফম ওইরগা লোনা য়াদবা এক্তিভিটি খরদগী ফঙখিবা প্রোপর্টিগী মনিটরি ট্রাঞ্জেক্সন কয়া চথখি হায়বা ৱাফম অসি মশানা হৌখিবা চহীদা য়াজখি হায়রি।

জষ্টিস দিপার্টমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অমদা য়ুএসকী এর্টোনি অসিনা হায়খি, মদুদি হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখিবদা পনখিবগুম দিফেন্দন্টশিং অদু মালেমগী ওইবা স্কেল অমদা অৱাংবা থাক্কী টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা নমদুনা পৈশা লৌবগী স্কিম অমা পাঙথোক্লবা পর্সনেল কম্প্যুটরশিং শীজিন্ননবা হোৎনরম্বগী মরাল শীরি।

সিলিঞ্জরনা হায়খি, মদুদি স্কাম্মরশিংনা সিনিয়র সিটিজনশিংবু তোইনা টার্গেট তৌই অমসুং মখোয়বু কান্নদবা কম্প্যুটর শেমজিন শাজিনবগী সার্ভিসশিংগা মরী লৈননা নমদুনা শেল পীহল্লি। কেস অসিগা মরী লৈননা ফাইল তৌখিবা দোক্যুমেন্টশিং অমসুং কোর্টতা থমখিবা ষ্টেটমেন্টগী মতুং ইন্না দিফেন্দেন্টশিং অমসুং অতৈ কয়া কুমজা ২০১২ দগী ২০২২ গী নবেম্বর ফাওবদা য়ুএস, ইন্দিয়া অমসুং কানাদাদা অৱাংবা টেক্নোলোজি শীজিন্নবা নমথাক্কী স্কিম অমা ওপরেট তৌখিবা ক্রিমিনেল ফ্রোউদ রিং অমগী মেম্বরশিংনি।

জষ্টিস দিপার্টমেন্টগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি, মদুদি ন্যু জর্সি য়াওনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট অমসুং কানাদাগী স্কিম অদুনা টার্গেট তৌখিবা ভিক্তিমশিং অদুদা অহল ওইরবা মীওই কয়া য়াওই। নমথাক তৌবশিং অসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ভিক্তিমশিংবু মখোয়গী পর্সনেল কম্প্যুটরশিং ভাইরস নত্ত্রগা মালৱায়রনা শোক্লে হায়না থাজহন্নবা ট্রিক তৌদুনা মখোয়বু ফ্রোউদ রিং অদুদা দোল্লর চা নত্ত্রগা থাউজন কয়া নমদুনা পীহনবা অসিনি। লৌতুনবগী থবক অদুদা ফ্রোউদ রিং অদুনা য়ামদ্রবদা ভিক্তিম ২০,০০০ দগী দোল্লর মিলিয়ন তরা হেন্না লৌখৎখি হায়রি।

ফ্রোউদ রিং অদুনা ভিক্তিমশিংগী পর্সনেল কম্প্যুটরশিংদা ওফ-অপ ৱিন্দোশিং থোক্লকপগুম উহনখি। ওফ-অপশিং অসি করিগুম্বা মতমদা ভিক্তিমশিংবু মখোয়গী কম্প্যুটরদা য়াওরিবা ফাইলশিং শীজিন্নবা থিংননবগীদমক্তা ভিক্তিমশিং অদুগী কম্প্যুটরশিং ফ্রিজ তৌশিন্নবা মওংদা রিজাইন তৌই হায়রি। ওফ-অপশিং অদুনা ভিক্তিমশিং অদুগী কম্প্যুটরশিং অদু ভাইরস অমনা শোকহল্লে নত্ত্রগা কম্প্রোমাইজ তৌরে হায়নসু শেমজিন শাজিন্দুনা ক্লেম তৌই অমসুং ভিক্তিমশিংদা টেক্নিকেল সপোর্টকীদমক ফোন নম্বর অমদা কোল তৌনবা দিরেক্সন পী।



# ইরাক্কী কিরকুপ সিটিগা নক্লনা বোম পোকখায়বদা পুলিস মাপন শিখ্রে

বাঘদাদ, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী):
ইরাক্কী নোর্থ সেন্ট্রেল সিটি কিরকুপকা নক্লনা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা ইরাক্কী ফেদরেল পুলিস ওফিসার মাপন শিরে হায়না সেক্যুরিটি ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্সশিং অদুনা ফোঙদোকখিবদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শিখিবশিং অদু কনভোই অমদা চৎলিঙৈদা বোমগী এটেক অমা চথরকপদগীনি। এটেক অদুগী মতাংদা কনামত্তনা নত্ত্রগা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রবসু মফম অদুদা আই এস আই এল (আই এস আই এস) মিলিটেন্টশিং এক্তিব ওইনা লৈরি। ইরাক্কী পুলিস ওফিসারশিংগী মতুং ইন্না এটেক অদুদা আই এস আই এল চেন্নে। মখোয়না মফম অদুদা পেত্রোলিং তৌরিবা পুলিস ফোর্সতা টার্গেট তৌদুনা লম্বীগী নাকলদা বোম পোকখায়হনবা অসি তোইনা চৎথদুনা লাক্লি।

ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর মোহমদ সিয়া অল-সুদানিনা এটেক অদুবু পাঙথোকখিবা টেররিষ্ট ইলিমেন্টশিং অদুবু খোঙ্গুল লীননবা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক মফম অদুদা ফেদরেল পুলিস কম্মান্দর থাখ্রে হায়না মহাক্কী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদতগী কিমি ২৩৮ লোম লাপ্পা লৈবা কিরকুপ অসি কুমজা ২০১৭ দা ইরাক্কী সেক্যুরিটি ফোর্সনা কুর্দিষ্ট ফোর্সশিংদগী মুনখিবনি। ইরাক্তা আই এস আই এল (আই এস আই এস) না কন্না মথি ফোঙলক্লিঙৈ মতমদা ইরাক্কী ফোর্সশিং চেনখ্রবা মতুংদা কুর্দিষ্ট রিজনেল গভর্ণমেন্টনা সিটি অদু কন্ত্রোল তৌশিনখি।

আই এস আই এসনা কুমজা ২০১৪ দগী ইরাক অমসুং সিরিয়াগী চাওরবা লম কয়া পায়শিনখিবগা লোয়ননা লমশিং অদুদা কেলিফেদ অমা শেম্লে হায়না লাউথোকখি। মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা লাউথোক্লিবা কেলিফেদ অদুবু মখোয়না পান্দুনা মীচম মীয়ামশিংবু অকি তুজুং পোকহনখি। মমৈথংদা কুমজা ২০১৭গী অথেংবা শরুক্তা য়ুএসনা লুচিংখিবা মিলিটরি কোলিসনগী মতেংগা লোয়ননা ইরাক্কী ফোর্সশিংনা মখোয়বু মায়থীবা পীখি।

ইরাক্কী ফোর্সশিংগী মখুত্তা চাওনা মায়থীবা নঙখ্রবা গ্রুপ অসিগী লেমহৌবা মীওই কয়া ইরাক্কী মফম কয়াদা মখা তানা এক্তিব ওইদুনা লৈখি। হৌখিবা ওগষ্টতা রিলিজ তৌখিবা য়ুএনগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না গ্রুপ অসিনা ইহো হোবা ইরাক-সিরিয়া বোর্দরগী নাকল অনীমক্তা এটেক কয়া চথবা ঙম্বা ফাইটর ৬০০০ দগী ১০,০০০ ফাওবগী অন্দরগ্রাউন্দ নেটৱার্ক অমা মেন্টেইন তৌদুনা থল্লি।



# নোর্থ কোরিয়ানা ইষ্ট সীদা মেদিয়ম-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অনী কাপশিনখ্রে

সিওল, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা ইষ্ট সীদা মেদিয়ম-রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল (এম আর বি এম) অনী কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।

মিসাইল লোঞ্চশিং অদু কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা হেনগৎহনবা থৌওং অমা ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা পরিং নাইনা পাঙথোকখিবা মিসাইল লোঞ্চশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি।

জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফ (জে সি এস) না হায়রি, মদুদি নোর্থ পিওংগাং প্রোভিন্সকী টোংজাং-রি এরিয়াদগী পাঙথোকখিবা লোঞ্জশিং অদু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ১১.১৩ অমসুং নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ৫ ফাওবগী মরক্তা দিটেক্ট তৌখি। চপ য়ুংবা এনরোলশিংদা কাপখিবা মিসাইলশিং অদু কিমি ৫০০ শান্না পাইখি।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা জে সিএসকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, সাউথ অমসুং য়ুএসকী ইন্টেলিজেন্স ওথোরিটিশিংনা নোর্থকী হন্দক্কী মিসাইল এক্তিভিটিশিংগী মরমদা কুপ্পা খঙননবা অতৈ অকুপ্পশিংগী ওইবা এনালাইসিস অমা চথরি। টোচাং-রি অসি নোর্থ কোরিয়াগী মরু ওইবা রোকেট লোঞ্চ সাইট অমনি। মফম অদুদা নোর্থ কোরিয়ানা অতোপ্পা অনৌবা টাইপকী ষ্ট্রেটেজিক খুৎলায় সিষ্টেম অমা দিভলপ তৌনবগী পান্দমগা লোয়ননা শগোলশেল নুমিত্তা 'হাই-থ্রস, সোলিদ-থ্রেস' মোটোর অমগী মরু ওইবা চাংয়েং পাঙথোকখি হায়না ওফিসল কোরিয়ন সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

ইনৌ নৌবা মিসাইল লোঞ্চ অসি নোর্থ কোরিয়ানা কন্টিনেন্টেল য়ুএস অপুম্বা য়ৌবা ঙম্বা ইন্টর কন্টিনেন্টেল বেলেষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অমা কাপখিবা মতুং থা অমা কান্নরগা পাঙথোকখিবনি। জেসিএসনা মিসাইল লোঞ্চশিং অদুবু কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী মরা তপ্পা ফিভমদা নত্তনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী তং তাবা ফিভমদা চাওনা শোকহনগদবা কায়হৌবগী অচৌবা খোঙথাং অমনি লোয়ননা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসনশিং ময়েক শেংনা খোঙ্গাওনবা খোঙথাং অমনি হায়রদুনা কন্দেম তৌখি।

জেসিএসনা মখা তারদুনা হায়খি, মদুদি সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা নোর্থ কোরিয়াদা চথরক্লিবা কায়হৌবগী মতাং খুদিংমক্তা মতিক চাবা পাউখুম পীননবা লৈবাক অসিগী কেপেবিলিটিশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা চেৎনা শেম শাদুনা লৈগনি। নোর্থ কোরিয়াগী ইনৌ নৌবা খোঙথাং অসিগা মরী লৈননা সাউথকী নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর কিম সুং-হাননা প্রিসাইদ তৌদুনা সিওলদা লৈবা প্রসিদেন্সিএল ওফিসতা নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অমা পাঙথোকখি।



# ফিজিগী জেনরেল ইলেক্সনদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা এবসোলুট মেজোরিটি ফঙদ্রে

সুবা, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী):
হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা ফিজিগী ২০২২ গী জেনরেল ইলেক্সনদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা অপুনবা ভোটকী চাদা ৫০ গী মথক্তা ফঙবা ঙমখিদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা ফিজিদা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা লাক্লগনি হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা ইলেক্সনগী ফাইনেল রিজল্টশিং লাউথোকখিবা ফিজিয়ন ইলেক্সন ওফিসকী মতুং ইন্না রেজিষ্টর ভোটর মশিং পুন্না ৬৯৩,৯১৫ লৈখিবা চহী অসিগী জেনরেল ইলেক্সন অদুদা পুন্না ভোট ৪৭৩,৯১০ থাদখি। চহী অসিদা ভোট থাদনখিবা চাং চাদা ৬৮.৩ ওইখি।

বোরেকে বাইনি মরামানা লুচিংবা ফিজি ফর্ষ্ট পার্টি (এফ এফ পি) না ভোট ২০০,২৪৬ হায়বদি অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৪২.৫৫ ফঙখি। ভোট মশিং অসি ফঙখিবগা লোয়ননা এফ এফ পিনা মেম্বর ৫৫ গী পার্লিয়ামেন্টদা সিট ২৬ ফঙবা ঙমখ্রে। সিটিবেনি রাবুকানা লূচিংবা পিপলস এল্লায়ন্স (পিএ) না ভোট ১৬৮,৫৮১ হায়বদি মশিং থীখিবা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৩৫.৮২ ফঙদুনা পার্লিয়ামেন্টকী সিট ২১ ফঙবা ঙমখি। হন্দক্কী মীখল অসিদা অহুমশুবা তারিবা বিমান প্রসাদনা লূচিংবা নেসনেল ফেদরেসন পার্টি (এন এফ পি) না ফঙখিবা ভোট মশিং ৪১,৮৩০ নি। মসি মশিং থীখিবা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৮.৮৯ নি। পার্টি অসিনা পুন্না সিট ৫ ফঙবা ঙমখি।

বিলিয়ামি গাবোকানা লুচিংবা সোসল দেমোক্রেটিক লিবরেল পার্টি (এসওর্দিইএলপিএ) না পুন্না ভোট ২৪,১৭২ হায়বদি অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৫.১৪ ফঙখি। পার্টি অসিনা ফঙলিবা সিট মশিং অহুম্নি।

লৈবাক অসিগী ইলেক্তরেল সিষ্টেমগী মখাদা ফিজিয়ন পার্লিয়ামেন্টতা কালিফাই ওইগদবা পার্টিশিং অদু ইলেক্সনদা য়ামদ্রবদা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ৫ ফঙবা মথৌ তাই।

সিট ২৮ নত্ত্রগা মসিদগী হেন্না ফঙবা ঙম্বা পার্টি অমনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা য়াই। মীখল অনীদা মায় পাক্লনা এফ এফ পিনা কুমজা ২০১৪ দগী লৈঙাক্কী পৱার পায়দুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং পার্টি অসিনা পার্লিয়ামেন্টকী মেজোরিটি সিট মশিং ফঙবা ঙমদবসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। হৌজিক পার্টি অসিনা মথংগী চহী ৪গীদমক কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্ননবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদগী অমা থীবা মথৌ তারি।

# শিবগী চৈরাক ক্রিটিসাইজ তৌখিবা ইরানগী টোপ এক্ট্রেস অলিদুষ্টি ফাখ্রে

লন্দন, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী):
ইরানগী খ্বাইদগী ফাওবা এক্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা তরানে অলিদুষ্টি টেহরানদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফাখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিংগী মায়োক্তা ষ্টেটনা শিবগী চৈরাক শীজিন্নববু মহাক্লা ক্রিটিসাইজ তৌখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অলিদুষ্টিবু ফাখিবনি হায়না লোকেল মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

টরানেনা মমাঙদা মহাক্কী ইন্সটাগ্রাম পেজতা থাগৎখিবা মশামক্কী পিকচর অমদা মহাক হিজাব শীজিন্নখিদে অমদি 'ৱিমেন, লাইভ, ফ্রিদম' হায়না ইবা চে মচেৎ অমা পাইখি। ৱাহে অহুম অসি হৌজিক ইরানিয়ন রেজিমগী মায়োক্তা মীয়াম্না চথরক্লিবা অকনবা প্রোটেষ্টতা শীজিন্নবা মরু ওইবা স্লোগাননি।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি অলিদুষ্টি অসি মহাক্কী জেনরেসনগী ওইনা ইরানগী খ্বাইদগী হেন্না মীয়ামদা ইথিল পীবা ঙম্বশিংগী মনুংদা অমনি। মহাকপু ফারিবা অসি ষ্টেটনা ইরানিয়ন রেজিম্বু মখোয়গী প্লেটফোর্ম শীজিন্নদুনা চেলেঞ্জ তৌরিবা সেলেব্রিটিশিং, আর্টিষ্টশিং অমসুং স্পোর্টস পর্সনেলিটিশিংগী থৌওংশিং লাকশিন্নবা মখোয়বু ফা পুনবা পান্মী হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি।

ইরানগী মরোল কয়া লৈবা সেক্যুরিটি সার্ভিসশিংগী মনুংদগী করম্বা দিপার্টমেন্টনা ময়ুমদগী ফাখিবনো হায়বসি খঙবা ঙমখিদে। টেহরানগী প্রোজিক্যুটরগী ওফিসকী মায়কৈদগী অলিদুষ্টিনা মহাক্কী ওথোরিটিশিংদা কায়হৌবা ৱাফমশিং অদুবু জষ্টিফাই তৌবা ঙম্বা দোক্যুমেন্ট পুথোকপা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকখি। মহাকপু ফাখিবগী পাউ অসি ফিল্ম দিরেক্তর অমা ওইরিবা সামিয়া মিরসামসিনা লেপখিবনি হায়রি।



মিসামসিনা ফোঙদোকখিবদা অলিদুষ্টিগী য়ুমদা ছর্স তৌখি অমসুং মহাক কদায়দা লৈখিবনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রে। মতুং তাবদা অলিদুষ্টিবু ফাখি হায়বসি কনফার্ম তৌরদুনা জুদিসিএল ন্যুজ এজেন্সি মিরজাটনা হায়খি, মদুদি মহাক্কী কেস অদু মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথরি।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬ দা বেজ ফোরেন ফিল্মগী ওস্কার অমা ফঙখিবা 'দ সেলসমেন' দা কুমখিবী অলিদুষ্টিনা মহাক্কী করিয়রদা এৱার্দ কয়ামরুম ফঙখি।

ইস্লামিক রিভোলূসনরি গার্দকা নকশিন্নবা টাস্লিম ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি, মদুদি মহাক রাইওট কয়া থোকহনখিবা অমদি এন্টি-ইরানিয়ন মুভমেন্টশিংবু শৌগৎখিবা শেমজিন শাজিনবা অমদি অচুম্ববু পুমওন ওন্থোক্লবা কন্টেন ফোঙননবা মহাক্লা লৌখিবা ৱারেপকা মরী লৈননা ফাখিবনি। হিজাব শীজিন্নদবা অলিদুষ্টিগী পিকচর মিলিয়ন অমা হেন্না লাইক তৌখি।

# উন কন্না তাবদগী ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখ্রে, এক্সিদেন্ট কয়া থোকখ্রে

সিওল, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী):
উন কন্না তাবদগী নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াদা লম্বীগী এক্সিদেন্ট কয়া থোকখিবগা লোয়ননা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখ্রে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অয়ুক পুং ৯.১০ তাবা ফাওবদা খা থংবা রিজোর্ট ঈথৎ জেজুদা লৈবা জেজু ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী পাইগদবা ফ্লাইট ৫১ অমসুং এয়রপোর্ট অসিদা তারক্নদবা ফ্লাইট ৪৪ কেন্সেল তৌখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা সেদ্যুল তৌখিবা দোমেষ্টিক ফ্লাইট ২৩১ গী মনুংদা শুপ্পগী ফ্লাইট তরুক্তমক মহৌশাগুম্না ওপরেট তৌখি হায়না জেজু এভিএসন ওথোরিটিসনা ফোঙদোকখি।



হৌখিবা চহীগী অরোইবা শরুক্তা উন কন্না তাবদগী এয়রপোর্ট অদু উননা পুমকুপ কুপখিবগা লোয়ননা উন পুবা অকনবা নুংশিৎকী ৱার্নিংশিং লৈখি। লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদসু নোংমাইজিং নুমিত্তা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিং থোকখিবগা লোয়ননা ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখি।

সিওলদগী কিমি ৩৮০ লাপ্পা সাউথ জিওলা প্রোভিন্সকী মুআনগী জিওনাম ফায়র সার্ভিসেস হেদ ক্বার্টর্সনা ফোঙদোরকখিবা মতুং ইন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক খক্তদা লম্বীগী এক্সিদেন্ট ২৯ গী রিপোর্ট তৌরকখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৩ হেল্লকপদা সাউথ জিওলাগী বোসিওংদা উননা কুপ্লবা লম্বী অমদা গাড়ী অমা শিৎপদগী মদুগী দ্রাইভর মাইনর ইঞ্জুরিশিংগা লোয়ননা লোকেল হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

মান্নবা এক্সিদেন্ট অমসু বোসিওংদা পুং ৩ রোম কান্নরগা থোকখি। মফম অসিদা অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা বস অমা, ট্রক অমা অমসুং পেসেঞ্জর গাড়ী অমা পুন্না থেংজিন্নরমগদবদগী খজিক্তদা নাম্থোক্লখি। ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগীসু প্রোভিন্স অদুগী উননা কুপশিনখিবদগী ইনান নাল্লবা চীংগী লম্বীশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা দ্রাইভরশিংনা মতেং নিরক্লবা খঙহনখি হায়রি।


## দিজিটেল ইন্দিয়া কোর্পোরেসন

দিজিটেল ইন্দিয়া কোর্পোরেসন অসি মীচমশিংগী কান্নবগীদমক আই সি টি অমসুং অতৈ নৌনা থোক্লক্লিবা টেক্নোলোজিশিং ফগৎহনবগা লোয়ননা শীজিন্ননবা 'মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (এম ই আই টি ৱাই) না লিংখৎপনি। দিজিটেল ইন্দিয়া কোর্পোরেসন্না হৌজিক অৱাং নোংপোক লমদমগীদমক মখাগী পোজিসন অসি কন্ট্রেক্ট/কন্সোলিদেটেদ বেসিসতা লৌননবগীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌজরি :

| সে নং. | পোজিসনগী মমিং | এন ই আর ষ্টেট / পোজিসন মণিপুর |
|---|---|---|
| ১ | প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর (মণিপুর) | ০১ |
| অপুনবা | | ০১ |

➢ থবক্কী অকুপ্পশিং, ইলিজিবিলিটি কন্দিসনশিং অমসুং অতৈ অকুপ্পশিং দি আই সিগী ওফিসল ৱেবসাইট www.dic.gov.in দা ফঙগনি।
➢ অপাম্বা কেন্দিদেটশিংনা এদভর্টিজমেন্ট ফোঙবা তারিখতগী নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা https://ora.digitalindiacorporation.in/ গী খুত্থাংদা ওনলাইনদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

মিজ. ভিনয়া বিস্বানাথন
হেদ-ঐচ আর
দিজিটেল ইন্দিয়া কোর্পোরেসন
ইলেক্ট্রোনিক নিকেতন এনেক্স
৬ সিজিও কমপ্লেক্স লোধি রোদ, ন্যু দিল্লি

CBC 06124/12/0003/2223


# সাংহাইগী স্কুলশিং ওনলাইনদা ক্লাস তৌনবা খঙহনখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী):
চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি সাংহাইদা কোভিদকী কেসশিং হেনগৎলকপদগী স্কুল অয়াম্বা ওনলাইনদা ক্লাস কন্দক্ট তৌননবা সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা খঙহনখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি। সাংহাইগী এদুকেসন ব্যুরোগী মতুং ইন্না নর্সরিশিং অমসুং চাইল্ড ক্যের সেন্টরশিংসু নিংথৌকাবা নুমিত্তগী থিংজিল্লগনি।

চাইনাগী জিরো-কোভিদ ষ্ট্রেটেজিবু য়ানিংদবা উত্তুনা পাক শন্না প্রোটেষ্ট চথরকখিবদগী থা অসিগী অঙনবদা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা কোভিদকী অথিংবশিং কোমথোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং লোকদাউনগী অকনবা অথিংবশিং কোমথোকখিবা অদুনা মরম ওইদুনা চাইনাদা অমুক হন্না কোভিদ লাইচৎ হেনগৎলকপগী ফিভম লাকখি। লৈবাক অসিগী কোভিদ টেষ্টিং অমসুং রিপোর্টিং সিষ্টেমশিংদা অহোংবা কয়া লাকখিবদগী ভাইরস কদায় ফাওবগী চাং শন্দোরকপগে হায়বসি খঙবদা ৱানা থোক্লে হায়রি।

বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হোস্পিটালশিং অমসুং মেদিকেল ফেসিলিটিশিং লাইচৎ কনখৎলকপনা মরম ওইদুনা প্রেসর চাওনা লৈরে। মসিনা মরম ওইদুনা চাইনা শীন থুংনা টেম্পররি হেল্থ সেন্টরশিং অমসুং ইন্টেন্সিব ক্যের ফেসিলিটিশিং লিংখৎলক্লি। সাংহাইদা অহেনবা হোস্পিটাল বেদ ২৩০,০০০ ফঙহল্লে হায়রি। সিটি অদুগী স্কুল খরা ওজাশিং অমদি ষ্টাফ নারকপদগী ফিজেকেল ক্লাসশিং লেপখ্রে।


GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

**NOTICE**
Imphal, the 9th December, 2022

No. HL-157/H&T/2020 (III): In pursuance to Government letter No. HL-1010/3/2022-TCI-T,C&I dated 09.11.2022 and based on the marks secured in the personality test/interview by a Selection Committee held on 10.05.2022 for engagement of Cluster Development Executive (CDE), the merit list of 80 (eighty) candidates who appeared before the Selection Committee on 10.05.2022 is enclosed in Annexure.

2.0: Engagement of 24 CDE for implementation of Handloom Cluster Projects under National Handloom Development Programme (NHDP) shall be made on this merit/rank basis against the immediate requirement of 24 CDEs under NHDP from time to time and Manipur Reservation Rules, 2011. In case where two or more candidates secured equal marks, merit/rank is decided based on Date of Birth with the older candidates being placed higher in the merit/rank.

3.0: Based on this merit list, counselling of candidates of the merit list will be held on **19.12.2022 at 10.00 a.m.** in the Directorate of Handlooms & Textiles, Manipur.

Sd/-
**(K. Lamlee Kamei)**
Director of handlooms & Textiles,
Manipur

HL/B/7953/19



GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

**NOTICE**
Imphal, the 13th December, 2022

No. HL-157/H&T/2020 (II): In pursuance to Government letter No. HL-1010/3/2022-TCI-T,C&I dated 09.11.2022 and based on the marks secured in the personality test/interview by a Selection Committee held on 24.06.2022 for engagement of Textile Designer (TD), the merit list of the candidates who appeared before the Selection Committee on 24.06.2022 is enclosed in Annexure.

2.0: Engagement of TD for implementation of Handloom Cluster Projects under National Handloom Development Programme (NHDP) shall be made on this merit/rank basis against the immediate requirement of TDs under NHDP from time to time and Manipur Reservation Rules, 2011. In case where two or more candidates secured equal marks, merit/rank is decided based on Date of Birth with the older candidates being placed higher in the merit/rank.

3.0: Based on this merit list, counselling of candidates of the merit list will be held on **21.12.2022 at 10.00 a.m.** in the Directorate of Handlooms & Textiles, Manipur.

Sd/-
**(K. Lamlee Kamei)**
Director of handlooms & Textiles,
Manipur

HL/B/7954/19